# ঙসিগী মণিপুরী খুন্নাই নুংঙাই-য়াইফবা খুন্নাই অমা ওইরিব্রা

— ডা. সোরাম মনিকান্ত —

প্রসিদেন্ট, ইন্দিয়ন সাইকিয়াট্রিক সোসাইটি,
মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ
dr.smanikanta@gmail.com



ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন নকশিল্লকই। মীরেপ ওইনীংবা মীগী মশীং অসুম অসুম হেনগৎলকই। মীয়ামদা ঐবু শৌগৎপা মী য়াম্না লৈ হায়বা উৎনবা অঙম্বী থাক্তা রেল্লি, মীটিং কয়া মথং মথং শিনবা হৌরকই। নোংমা কাংদে অমনা অমবু শৌগৎপগী ৱারোল, মাগী মাগী মীরেপ ফোংনা শৌগৎপা হেনগৎলকই। মীরেপ অমগী রেল্লি চৎলিঙৈদা নৎত্রগা ইলেক্সন কেম্পেন চথবদা অতোপ্পা মীরেপ অমগী কাঙবুনা খৎনবা হৌরকপা, নূঙনা থারকপা অমদি মী ফূরুবগী থৌদোক ৱাথোক, মীরেপ ওইগদবা মীগী ময়ূমদা নোংমৈ কাপশিনবা, কিহল্লকপা অসিদসু নত্তনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীশি-মীনা ফাওবা থোকখ্রে। মীয়ামগী সপোর্ট হেন্না ফংনবা মখল মখা কয়াগী কেম্পেন চথবা হৌরকই। ইম্ফাল মনুংগী এসেমব্লি সেগমেন্ট অমদা মীওই খরদি মীরেপ খুদিংগী রেল্লি চৎপদা শরুক য়াই। অসুম্না মীওই খরদি ইলেক্সন অসি য়াম্না হৈনজবা নুংঙাইজবা হায়বদু ওইরি। মীওই খরনা মফম অমদা য়ু থক্কনি, অতোপ্পা মীরেপ অমগীদনা গুলি ফংনবা হোৎনরমগনি। খরা অমনা পূন্না পূন্না মীরেপ খুদিংগী য়ূমদা চঙদুনা মহাক্কী মী ওইনা উহন্নবা হোৎনগনি। শেল লৌগনি। হন্দক মরক অসিদা হোংলক্লিবা ইলেক্সনগী ওইবা থৌওং খরদি মীবু কিহনবা, ময়ূম চঙলগা ফূরম্বা অমদি নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক কয়া অসিনি। হৈরোক্তা ইলেক্সনগা মরী লৈননা মহৈরোয় অমা নোংমৈনা পান্দুনা লৈখিদ্রবা মতুং ৱাঙ্গোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা শামুরৌদা মীওই অনী অমসু নোংমৈনা পান্দুনা লৈখিদ্রে। মীরেপ ওইনীংবা মীওই খুদিংমক ভোট কাদবা য়াদে হায়দুনা মাগী মাগী অঙম্বা থাক্তা হোৎনবা উই। মসিদা ভোটর ওইরিবা মীচম মীয়ামগী মরক্তা মাগী মাগী হায়বা ৱাফম্না মাঙওইনরগা খৎন-চৈনবা, ইমুং মনুং, মরী-মতা, মচিন-মনাও খাইবুং খাইবুং তৌবা ইলেক্সন মতমদা তোয়না থোকপা থৌওং অমনি অমসুং ঐখোয়গী অপূনবা খুন্নাই অসিদা অমগা অমগা লৈনবা মরীদা অকায়বা কয়া ওইরকই। কাঙলূপ অমগা কাঙলূপ অমগা, খুঙ্গং অমগা খুঙ্গং অমগা, লৈকায় অমগা অতোপ্পা লৈকায় অমগা, শাগৈ অমগা শাগৈ অমগগী মরক্তা ৱাখল তাবা ৱাৎপা, মুক্নবা, য়েংথিনবা কয়া থোরকই। নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবদা অকায়বা পীরকই অমসুং অফবা খুন্নাই অমা হায়বদু ওইরক্তে।

দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা মীচম ঐখোয়না ঐখোয়গী লুচিংবা খঞ্জবা হায়বসি তঙাইফদবা ইথৌদাং অমনি। মসিদা ঐখোয় য়াম্না চেকশিনগদবনি। মীচম মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা অমসুং থবক তৌবা মীওইশিংনা অফবা লৈঙাক অমা লৈহনবা ঙমগনি অমসুং অফবা খুন্নাই অমা লিংবা ঙমগদৌরিবনি। মরমদি মহাকসু খুন্নাই অসিগী মীওইনি। খুন্নাই চাওখৎনবা হোৎনবা, মীয়ামগী থবক তৌবদা নুংঙাইবা ফাওবা, অপেনবা ওইবা অমসুং হেন্না হেন্না অফবা থবক তৌনীংবগী ৱাখল্লোন্দা লৈগদবনি। অসিগুম্বা লুচিংবা অদু হকচাং ফবগা লোয়ননা ৱাখল পূক্নিং লৈতানা লৈবা ঙম্বা, মীপূম খুদিংমক্কা অফবা মরী থম্বা ঙম্বা ওইগদবনি। অফবা খুন্নাই অমগীদমক মহাক মশাদগী হোৎনবা হৌগদবনি। অসুম্না মীয়ামগা অফবা মরী থম্বনা অমগা অমগা নুংশিনবা, হিংবগী মহাউ লৈনা, লৈতানা লৈবা ঙমহল্লি। খুন্নাই হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক পূন্না হিংমিন্নবা চঙই। মীওই খরখক ফরগা নৎত্রগা নুংঙাইরগা খুন্নাই অদু নুংঙাইরে হায়বা য়ারোই। ঐখোয় মশেল অমগা অমগা মতেং পাংনবা, হিংমিন্নবা মথৌ তাই। মসিনা অপূনবগী ৱাখল্লোন শাগৎপা অমসুং ঐখোয়গী পূক্নিং ৱাখল নুংঙাইনা থম্বা ঙম্মী। অদু নৎত্রবদি ঐখোয় ইদোম পুন্সি লেনবা তারকই অমসুং হিংবগী মহাউ য়াওরক্তে। ঐখোয় মশেল ৱাখল লৈতানা হিংমিন্নবা হায়বসি উ চারা (পাম্বী) অমা থাবদা চাওনবা ঈশিং চাইবীবগুম্বনি। মতুং তারকপদা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন চেল্লক্তুনা চাওখৎ থৌরম কয়া পায়খৎপা ঙমহল্লি।

অফবা খুন্নাই অমগীদমক ঐখোয় ইমোসনেল ৱেল বিয়িং লৈতবা য়াদে। মীওইবা হায়বসি করিগুম্বদা শাওনীংবা, ঙাওদুনা চৎকে তৌবা, অকিবা ফাওবা, পাখৎপা, কপনীংবা, নোকনীংবা কয়া ফাওই। অকিবা, শাওনীংবা, পেন্দবা মতমদা ঐখোয়না মীওই খরদা মরাল শীনীংই। অশাওবা উৎনীংই। অসিগুম্বা থৌদোক কয়া ঐখোয়না সোসল মীদিয়াগী খুত্থাংদা উখ্রে। মিনিষ্টর মকোক অমনা মখা থাবা মিনিষ্টর অমদা অশাওবা উৎতুনা পেন্দবা ফোঙদোকপগী থৌদোক লৈখ্রে। অসিগুম্বা মতম অসিদা কনাবুসু ব্লেম তৌদনা মীগী সেন্টিমেন্ট খঙনা মফম মতম সিচ্যুএসন য়েংনা অফবা মরী থম্বা ঙম্বা গুণ চেনগদবনি হায়বদি ইমোসনেল ষ্টেবিলিটি লৈনবা হোৎনগদবনি। ঐখোয়বু লমজিংবীগনি হায়দুনা থোরক্লিবা লুচিংবা শাবা মীওই কয়া অসি মথক্কী হায়রিবা মগুণ অসি চেনবা উদে। মখোয়দগী ঐখোয় চেকশিনগদবনি। অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসিনা সোসল হেল্থ ফনা থম্নবা হোৎনবদা অকায়বা ওইহল্লি। হকচাং ফবা হায়বসিসু সোসল ৱেল বিয়িং মেন্টেইন তৌনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংই। হকচাং নাদ-য়েক্তনা নুংঙাইনা লৈবা মতমদা মীগা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই তৌনীংবা, হৈনীংবা হেল্লি। ৱাখল থোকই। মসিনা মী অমগা অমগগী মরক্তা অফবা মরী থম্বদা চাউনা মতেং পাংই। হকচাং ঙমদবা মতমদা মীগা উন্ননীংদে, লাঙবা হৈনদে, নাইতোম লৈনীংই। ইশাগী ওইবা ৱাখলদা লুপ্তুনা লৈ। হকচাং ঙমদবা মতমদা ঐখোয়গী সোসল ৱেল বিয়িং অসিসু শোকহল্লি।

মীয়ামগা অফবা মরী থম্বা ঙম্নবা সোসল হেল্থ ফগৎহনবা তঙাইফদে। মসিগীদমক্তা ঐখোয় ইশা ইশানা লৈরিবা নৎত্রগা থবক তৌরিবা মফমগী অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিংগা খঙন-চান্নবা, তোৎন-তিন্নবা, লোনদিন্নদুনা অমনা অমগী মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোন শাগৎপা তাই। অদুবু মী অমগা মরুপ ওইবা মতমদা ঐখোয়গীসু বাউন্দরি নৎত্রগা তৌবা য়াবা, য়াদবা লৈগদবনি। ঐনা পামদবা অমসুং কান্নদবা থবক্তা কোক শাগদবা লৈরবদি মদুগী মরমদা খঙহনগনি। মসিদা ৱাখল তামিন্নবা ঙমদ্রবদি মরুপ ওইবগী মরী অদু অমুক য়েংশিনবা মথৌ তাই। মরুপ ওইবা হায়বসি তিন্নবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী কান্নবা, চাওখৎপা, য়াইফবা, নুংঙাইবা ওইগদবনি। ঐখোয়না কাউরোইদবদি খুন্নাই অমা হায়বসি ইমুং কয়ামরুম্না ওইরিবনি। মরম অসিনা খ্বাইদগী ইহান হান্না তৌগদবা ইথৌদি ইমুং অদুগী অঙাংশিংগা অফবা মরী থম্নবা হোৎনগদবনি। মখোয় অসি খুন্নাইগী য়ূম্বীরেলনি। মখোয়গা লোয়ননা শান্নমিন্নবা, থবক তৌমিন্নবা, মখোয়না হায়বা তাবীবা, অফবা থবক তৌবদা পূক্নিং থৌগৎপীবা য়াম্নমক মথৌ তাই অমসুং অফবা সোসল লাইফ অমা শাগৎপদা অচৌবা মতেং ওই।

ঐখোয়গী থবক মফম (ৱার্ক প্লেস) হায়বসি পুন্সিগী খ্বাইদগী হেন্না মীয়ামগী থবক তৌবা ঙম্বা, ঐগী শিনফম অদু মপূং ফানা পাঙথোক্তুনা খুন্নাইগী চাওখৎ থৌরাং কয়া তৌনবা অমসুং চাওখৎ থৌরাং পায়খৎনবা থৌদাং লৌবা মফম অমনি। মফম অসিদা ঐখোয়না থবক তৌবদা নুংঙাইবা, হেন্না অফবা থবক তৌবা ঙম্বা, লৌশিং তানশিনবা অমসুং অমনা অমবু মতেং পাংনবা ঙমহল্লি। ঐখোয়গী পুন্সিগী মরু ওইবা মতম অয়াম্বদি মফম অসিদা লেল্লি। ঐখোয়গী সোসল লাইফ মফম অসিদগী হৌই। অফবা পুন্সি অমা লেনবা য়ানবা হোৎনবদা অচৌবা এক্সপরিএন্স কয়া ফংই। অফবা মায়কৈদা চঙশিনবা ঙম্মী। অদুবু ঙসিদি লৈবাক্কী য়াইতোং খমদোংবা, লৈঙাক্কী ফম্নাইবা ওইরিবশিং অসিনা মসিগী ৱাখল্লোন অসি চেনবগী মহুত্তা মরন্নাইগী কান্নবা য়েংদুনা শেল তানশিল্লি। থবক পোত্থারবা মতুং নৎত্রগা ভলন্টরি রিটাইয়রমেন্ট লৌথোক্তুনা ইলেক্সনগী মতমদা মীরেপ ওইনা চোংথোরকই। পোলিটিক্স হায়বসি অচৌবা বিজিনেস প্লেটফোর্ম অমগুম লৌনরকই। মীওই খরদি ইলেক্সন অসিদা মায় পাক্তবা য়াদে হায়দুনা অরৈবা মাল চাং, ময়ূমগী বিল্ডিং ফাওবা পোলিটিকেল পার্টি অমদা মোর্টগেজ তৌদুনা মশাগী ওইজবা খরগীদমক পার্টি থাদোক্লল্লগা চৎখিবগী ৱারী হন্দক্তা ন্যুজপেপরদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অসিদসু নত্তনা য়ূমগী নুপী অঙাংদা চথবা ক্রাইম কয়াদা চেন্নদবা মীওই য়াওদবা নত্তে। ইলেক্সন মায় পাক্লবদি চংখিবা শেনফম অদু ইরায় লায়না হঞ্জিনবা ঙমগনি অমদি ক্রিমিনেল কেস চেন্নবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি খল্লি। মসিদা খন্ননীংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি মখোয়গী মেন্টেলিটি অদুনি। মসিদি চুমথোকপদা ৱারগদবা থৌওং অমনি।

অফবা খুন্নাই অমগীদমক ঐখোয়গী লুচিংবশিং অসি মেন্টেল্লি হেলদি ওইদবা য়াদে। মেন্টেল হেল্থ হায়বসি পূক্নিং ৱাখল নুংঙাই-য়াইফবা, লৈতানা লৈবগী থৌওং অমনি। মীওই অমনা মহাক্কী তৌবা ঙম্বগী চাং খঙজবা, পুন্সিগী অৱা-নুংঙাই, অকি-তুজুং, অশি-অনা নৎত্রগা ষ্ট্রেস, টেন্সন, প্রেসর লৈবা মতমদা সিচ্যুএসন অদু য়েংলগা মপূং ফানা মায়োক্নবা ঙম্বা, মীয়ামগী য়াইফনবা, খুন্নাইগী চাওখৎনবা হোৎনবা, মীয়ামগীদমক মায়োং য়াবা ঙম্বা, মায় পাক্না থবক তৌবা ঙম্বা অমসুং খুন্নাইগীদমক কত্থোকপা ঙম্বা মীওই ওইগদবনি। মসি তশেংনা লুচিংবা অমনা চেনগদবা মগুণ অমনি। হৌজিক ওইরিবা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী মতাংদা খন্নদুনা য়েংসি। মীরেপ ওইনীংবা, ভোট কানীংবা মীওই খুদিংমক অপাম্বা অনীংবা অমখক্লা মাঙওইনরগা মশাগী ওইজবা ফংনবা চথরকপা থৌওং কয়া ঐখোয়না উবা ফংলি। ঙসি পোলিটিকেল পার্টি অমদা লৈরম্বদু নোংঙাল্লগা অতোপ্পা পার্টি অমদা চোংখিবা। অসিদসু নত্তনা মীরেপ অমগী য়ূমদা বোম লংশিনবা, নোংমৈ কাপশিনবা, ফূবা চৈবা, কিহনবা কয়া চথবা, মসিদগী হেন্দোক্তুনা মীরেপ ওইগদবা মশামক্লা মীগী য়ূমদা চঙলগা মী ফুরুবা, ক্রিমিনেল কেসতা চেন্ননীংদবদগী এন্টিসিপেটরি বেল লৌখিবা কয়ানি। নুংঙাইখ্রবা জাৎনি য়েংববু হৈরবদি। মসি পূম্নমক অসি অফবা, নুংঙাই-য়াইফবা খুন্নাই অমগী থৌওং নত্তে। অসিগুম্বা মেন্টেল্লি হেলদি ওইদবা, খুন্নাইগী ৱাখল্লোন চেন্দবা মীওই কয়া অসি ভোট কারগা লৈঙাক পায়রবা মতুংদা খুন্নাইগী, লৈবাক্কী অফবা করি তৌরক্কদগে। মখোয়দগী ঐখোয়না অফবা করি করম্বা থৌশিল তমজনীংঙাই লৈরিবগে। মসিনি ঙসিগী মণিপুরী খুন্নাই। তুংগী অফবা খুন্নাই অমগীদমক ঐখোয় চেকশিনসি। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ কংকুপ # ৩২৪

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা কং পাম্বী মখল খরা ফংই। মখোয়শিং অদুদি - কংকুপ, কংপাক, কবোকং, কংজাও অসিনচিংবনি। কংকুপ পাম্বী অসি ইংলিসতা দকৱীদ ফর্ন (Duckweed fern) নৎত্রগা মোসকুইটো ফর্ন (Mosquito fern) নৎত্রগা ফেদর্দ মোসকুইটো ফর্ন (Feathered mosquito fern) নৎত্রগা ৱাটর ভেলভেট (Water velvet) নৎত্রগা রেদ ৱাটর ফর্ন (Red water fern), হিন্দিদা গো-প্রসাদ (Go prasad), চাইনিজদা লু পীং (Lu ping) নৎত্রগা হো-পীং (Ho ping), জপানিজদা অকৌকিকুসা (Akaukikusa) নৎত্রগা উকৌকিকুসা (Ookaukikusa), ভিয়েটনামিজদা বিও হুৱা গৌ (Beo hoa gau), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা এজোলা পীনাতা (Azolla pinnata RBr) হায়না কৌই অমসুং এজোলেসী (Azollaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিবু মোসকুইটো ফর্ন শাগৈ হায়নসু খঙনৈ। কংকুপ পাম্বী জিনস এজোলা হায়বসি ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৭৮৩দা ফ্রেন্সকী বোটানিষ্ট জীন বেপতিসতে লামার্ক (Jean Baptiste Lamarek) না ফিলিবর্ত কমর্সন (Philibert Commerson) অমসুং মহাক্কী মতেং পাংবা জীন-বের (Jeanne Bare) না খা আমেরিকাগী মাগেলান (Magellan) লমদমদগী পুরকখিবা কংকুপ পাম্বী অদু নৈনদুনা মমিং থোনখি। এজোলা হায়রিবা ৱাহৈ অসি গ্রীক্কী ৱাহৈ এজো (Azo) হায়বদি কংহনবা (to dry) অদুগা এলয়ো (Allyo) হায়বদি শিহনবা (to kill) অসিদগী থোনখিবনি, মসিগী ৱাহন্থোক্তি পাম্বী অসি ঈশিং লৈতবা অকংবা মফমদদি হৌবা ঙমদে হায়বনি।

কংকুপ পাম্বী অসি চুথেক অহুম নাইবা (ত্রাইএঙ্গুলর) সেন্টিমিটর ২.৫ রোম পাকপা ঈশিং মথক্তা তাওদুনা হৌবা ফর্ন পাম্বী মখল অমনি। ঈশিং লৈত্রবসু চোৎ চোৎ লাওদুনা লৈবা মফমশিংদসু অদুমক হৌবা ঙম্মী। কংকুপ পাম্বী অসিগী মশা পূম্নমক্তা য়াম্না কূপ্পা মতুশিং কুংনা পানবসিনা মরম ওইদুনা পাম্বী অসি ঈশিংদা মপূং ফানা তাওদুনা লৈবা ঙম্মী। পাম্বী অসিগী মরাশিং অদু শমগুম্না কুপ্পী অমসুং চবুল ওইনা পাল্লি। কংকুপ পাম্বী অসিনা মপূং ফানা শন্দোক্তুনা হৌবা মতমদা ঈশিংগী শরুকশিং থন্না কুপশিনখিদুনা হেক য়েংবদা রেসোন ফি (Velvet cloth) মাল্লি। পাউদমশিংগী মতুংইন্না কংকুপ পাম্বী অসি এসিয়া, আফ্রিকা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদগী হৌরকখিবনি। এসিয়াগী মনুংদা কংকুপ পাম্বী হৌবা লৈবাকশিংদি ইন্দিয়া, চাইনা, জপান, কোরিয়া অমসুং ফিলিপিন্স অসিনচিংবনি। কংকুপ পাম্বী অসি ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী তম্পাক্কী মফমশিংদা মরাং কায়না হৌবা থেংনৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা মরু ওইনা তম্পাক্কী মফমশিংদা কংকুপ পাম্বী অসি হাজোংবা পাম্বী অমা ওইনা হৌই।

কংকুপ পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি কংকুপ পাম্বী অদু ঈশিংদা ফজনা চামথোক্লগা শুগাইদুনা শেন্বা মলম অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা মৈনা পোকপা, চাথৎপা অমসুং অশোক অপন তৌদুনা নাই চাবা অদু লায়েংনৈ। মীওইবগী হকচাংদা তুম য়ুবদসু হায়রিবা মলম অদু তৈবদা তুম অদু থুনা নাই চাহন্দুনা তুম অদু হন্দোকপদা য়াম্না খুদোং চাহল্লি। হকচাংদা অশোক অপন তৌদুনা ঈ অশিবা চংবদা কংকুপ পাম্বী শুগাইরগা থোম্বদা ঈ অশিবা অদু থুনা চিংথোকপদসু মতেং পাংবা ঙম্মীহায়দুনা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। অঙাংনা অরুম লাইহৌ তৌবদা কংকুপ পাম্বী অদু ফজনা শুগাইরগা শেম্বা মলম অদুনা লাইবক্তা চাং নাইনা তৈবদা কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী হায়নসু শীজিন্নৈ। পাউদম খরগী মতুংইন্না এসিয়াগী লৈবাক খরদদি কংকুপ পাম্বী অসি এঙ্গাং ওইনা থোংদুনা চানৈ। কংকুপ পাম্বীদা প্রোটিন অসি চাদা ২৫দগী ৩০ ফাওবা য়াওবগী মথক্তা মিনরেল মখল কয়া অমসুং কেরোতিনোইদশিং চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না মীওইবগী হকচাংদা থোইদোক-হেন্দোক্লা কান্নহল্লি। এসিয়াগী লৈবাক খরদদি ফৌ থাবা লৌবুক্তা কংকুপ পাম্বী অসি থাদদুনা লৈবাক অদুগী লৈহাও হেঙ্গৎহনবা অমদি ফৌ অদু চাথোক হেঙ্গৎহনবা ঙম্মী হায়দুনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। মসিগী মরু ওইবা মরমদি কংকুপ পাম্বী অসিদা নুংশিত্তা য়াওবা নাইত্রোজেন অদু চুপশিল্লগা হার ওন্থোকপা ঙম্বা এনাবিনা এজোলি (Anabaena azollae) হায়রিবা সিয়ানোবেক্টেরিয়া মখলগী হীংকুপ পাম্বী অসি য়াওবননি। হায়রিবা হীংকুপ মখল অসি কংকুপ পাম্বীগী মনাগী মখুলশিংদা চংদুনা লৈ। পাউদম অমগী মতুংইন্না কংকুপ পাম্বী অসিদা মীওইবগী য়া অসি অতেক-অকায় থোকহনবা অমদি পুমথহনবা অদুদগী ঙাকথোকপা ঙম্বগী মগুণশিং য়াওবা মরম্না কংকুপ পাম্বী অসি য়া থিন্নবা তুথপেষ্ট (Toothpaste) শাবদা শীজিন্নৈ। কংকুপ পাম্বী অসি কোকফাই শুজা মখল খরা ঙাকথোকপা ঙম্বা মরম্না উনশাগী লায়না মখল খরা লায়েংবদসু হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না কংকুপ পাম্বী অসি বেক্টেরিয়া (Bacteria) মখল খরসু হাৎপা ঙম্বগী মগুণসু লৈ।

কংকুপ পাম্বী অদু পুমথহল্লগা শেম্বা হার অসি থোইদোক হেন্দোক্লা মগুণ লৈবা মরম্না এঙ্গাং-নাপি থাবা অমদি লৌউ-শিংউদা য়াম্না পাম্না শীজিন্নৈ। কংকুপ পাম্বীদা প্রোতিন অসি চাদা ২৫দগী ৩০ ফাওবগী চাংদাদা য়াওবা মরম্না য়েন অমসুং ঙানুগী য়াম্না ফবা মচিঞ্জাক (Feed) অমা ওইনা পীজনৈ। বাইওগ্যাস (Biogas) শাবদসু কংকুপ পাম্বী অসি শীজিন্নৈ। SK Jain অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ১৯৯০, PK Rai না কুমজা ২০০৯, A. Sarkar না কুমজা ১৯৮৬ অমসুং MRR Rai অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০১৫ অমসুং ২০১৬তা পীখিবা পাউদমশিংগী মতুংইন্না কংকুপ পাম্বী অসি হূ চেনবা অরুম্বা ধাতুশিং (Heavy metals) মরু ওইনা জিঙ্ক (Zinc), লেদ (Lead), ক্রোমিয়ম (Chromium), মর্ক্যুরি (Mercury), কেদমিয়ম (Cadmium), কোপ্পর (Copper), অর্সেনিক (Arsenic) অমসুং ওর্গেনিক দাই (Organic dyes) শিং মরু ওইনা মিথাইল ভাইওলেট (Methyl violet) অমসুং মালাকাইট গ্রীন (Malachite green) অসি মপূং ফানা চুপশিনবা ঙম্বা মরম্না য়াম্না মোৎলবা ঈশিং অদু শেংদোকহনবা ঙম্বা মরম্না কংকুপ পাম্বী থাদুনা অমোৎপা ঈশিং অদু শেংদোকহল্লি। কংকুপ পাম্বীগী থোইদোক-হেন্দোকপা মগুণ ময়াম অসিনা মরম ওইদুনা ৱেগনর (Wagner) না কুমজা ১৯৯৭তা কংকুপ পাম্বী অসিবু অশংবা সনাগী খোনি (Green Gold Mine) হায়না শীংথাখি। অদুবু য়াম্না চেকশিনগদবদি ঙা য়োকপা ঈশিং নৎত্রগা পুখ্রিদা কংকুপ পাম্বী অসি পাক শন্না হৌখ্রবদি ঈশিং মনুংদা নুংশিৎ ফংদদুনা ঙাশিং অদু শিহনবা য়াই। ●

## ষ্টেটকী পাউ

## ‘পুঙলোন রাস পরেং’ মিংথোনবা লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএন এস): ফাঞ্জৌবম ইবোতোন সিংহনা খোমজিনবা ‘পুঙলোন রাস পরেং’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ঙসি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি ইম্ফালগী হোলদা ফোঙবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।



থৌরম অদুদা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি ইম্ফালগী দিরেক্টর পুখ্রম্বম বিলাস, পদ্মশ্রী শৌগাইজম থানিল, শ্রীশ্রী গোবিন্দজী টেম্পল বোর্দকী রাজধারি শংলাকপম খোগেন্দ্রনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, ময়াই তাংবল অমদি অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ইরৈবাক পাউচেগী এসিষ্টেন্ট এদিটর ডা. লাইশ্রম ইমোবনা লাইরিক্কী মশক তাকখি।

থৌরম অদুদা পুঙলোন রাস পরেং অসিগী অইবা ফাঞ্জৌবম ইবোতোননা ফোঙদোকখিবদা ‘পুঙলোন রাস পরেং’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি লাইওইখ্রবা ওজা-গুরুশিংনা শীন্নরম্বা পুঙলোনশিংগী নুংগী ভাব রাস তোঙান-তোঙানবা ৱাখল্লোনদা শীজিন্নরম্বা মওংনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। লোয়ননা জগোই রাস অমা শান্নবগী ৱাখলদা শাগৎতুনা য়ৈনরম্বা পুঙলোনশিংনি। ভাৱ রাস অদুথম্মোয়দা চিংশিন্দুনা রাস শান্নবা অদুগুম্না মওং-মতৌ অসিবু ওজাশিংনা পুঙলোন্তগী ওইনা জগোই য়াওদনা পুঙতনা য়ৈদুনা নুমিদাং খূদিংগী রাধা কৃষ্ণগী লিলাবু থৌগল তৌদুনা সেবা তৌজবগী মওংদা শীজিন্নরম্বা পুঙলোনশিংনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, নুংগী ওইবা ভাব রাসতা য়ূম্ফম ওইদুনা শীজিন্নবা পুঙলোননি হায়না গুরু থানিলনা তাকপীরম্মী। অসিগুম্লবা মগুণ লৈরবা পুঙলোনতনা জগোই ঈশৈ য়াওদনা রাসকী ভাৱ রাসতা শান্নবা জগোই রাস অমগী মওংদা শীজিন্নরম্বা অসিগুম্লবা পুঙলোন অসিগী গুরু শৌগাইজম থানিলদগী মহাক্লা তমজদুনা অমদি লাইরিক ওইনা ইথোক্তুনা পুথোকচবনি।

## কম্বাইন্দ ফোর্সনা য়ু জি ২ ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর পুলিস অমদি ফুন্দ্রে বট্টালিয়ন অসাম রাইফলস য়াওবা কম্বাইন্দ টিম অমনা থা অসিগী ১৩ অমদি ১৪দা ওপরেসন চথবদা লোনা থিংখ্রবা লালহৌবা পি এল এ অমদি অতোপ্পা লালহৌলূপ অমগী মীওই ১ য়াওনা মীওই অনী ফারে হায়রি।

অসাম রাইফলসনা ফোঙ-দোরকপগী মতুংইন্না চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী কম্বাইন্দ ফোর্সনা ককচীং অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তোঙান-তোঙানবা মফমদা থিবা-হুন্বা চথবদা লালহৌবা অনী অদু ফাখিবনি হায়রি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস): হৈরাঙ্গোইথোং য়াংলেম লৈকাইদা লৈবী য়াংলেম চনু কেরোলিন, অপোকপা য়াংলেম বোনি অমসুং অপোকপী য়াংলেম ওংবী ফজবীনা মাষ্টর ওফ লো ৪শুবা সেমিষ্টর এগজামিনেসন ২০২১গী ওইনা অহানবা মফম কন্দুনা আর কে সনাজাওবী দেবী মেমোরিয়ল গোল্ড মেদল লৌরকপদা দ সোসল ৱর্কর ক্লব হৈরাঙ্গোইথোংগী মায়কৈদগী হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।



ক্লব অসিগী সেক্রেটরি টি ঐচ গুনাবন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মহাক মতুং তারকপদসু থোইদোক-হেন্দোক্লা লমদম অসিগী মীকোক থোংবা মীওই অমা ওইরক্নবগীদমক ক্লব অসিগী মায়কৈদগী য়াইফ পাউজেলসু পীরি।

## চুড়াচান্দপুরগী পটলেন্দ খুলগী চীংশাংদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস): চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী তুইবোং সব-দিভিজনগী কোনবা তৈশেং মনাক্কী পটলেন্দ খুলগী চীংশাং নাপোমদা একর ৯ লোমদা পাক-চাওনা থারম্বা ময়াই কাবা চীঞ্জাক পোপী পাম্বী কম্বাইন্দ টিমনা য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, চুড়াচান্দপুরগী তৈশেং মনাক্কী পটলেন্দ খুলগী চীংশাং নাপোমদা লোনা য়াদবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক পোপী পাম্বী থারে হায়বা চপ চাবা পাউ ফংবদগী হেংলেপ পুলিস ষ্টেসনগী ও সী ইন্সপেক্টর হোলখোমাং হাওকিপনা লুচিংবা টিম অমনা চথখিবনি। কম্বাইন্দ টিম অদুদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, নার্কোটিক্স এফেয়র্স এন্দ বোর্দর পুলিস (এন এ বি), চুড়াচান্দপুর দিভিজন ফোরেষ্ট অমদি অহানবা আই আর বিনচিংবা য়াওখি। ঙসি অয়ূক পুং ৯.৩০ তাবদগী কম্বাইন্দ টিম অদুনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা চাওরাক্লা একর ৯ লোমদা থারম্বা লৈ শাৎলবা পোপী পাম্বীশিং অদু য়াম্থৎখিবনি। মালেমগী কৈথেলদা চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ৪.১৫ রোম ওইগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঙরাংসু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি, এম প্রদিপকী মীৎয়েং মখাদা কম্বাইন্দ টিমনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চমফাইলোককী চীংশাং নাপোমদা একর ১২ রোমদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখি।

## হৈবোংপোকপী অমদি থাঙ্গাল কৈথেলদা থিবা-হুন্বা চথখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএন এস): লাক্লিবা ২৬ জন্যুৱারীগী মাংওইননা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস কম্মান্দোনা তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা পাক শন্না থিবা-হুন্বা চথখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ৬তগীনা ৭.৫০ ফাওবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিসনেল এস পি ওপ্সকী মীৎয়েং মখাদা কম্মান্দোগী দি এস পি, ৱাই কিশোরচান্দনা লুচিংবা পুলিস অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোগী টিম অমনা হৈবোংপোকপী খুল এরিয়াদা থিবা-হুন্বা চথখ্রে। ওপরেসন অদুদা মফম অদুদা লৈবা য়ূম ৯০দা লৈরম্বা মীওই ১৩০গী মনুংদা বেল আউট মীওই ১৪ য়াওনা ৱাহং-পাউহং চথখি। লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোনা ঙসি নুংথিল থাঙ্গাল কৈথেলগী ধর্ম্মসালা, আলু গলি, গুরুদ্বারা অমদি প্রজাতন্ত্র হোটেল অমদি চেম্বর ওফ কম্মর্সকী এরিয়াদা লৈরম্বা মীওই ১৪০ রোম দিটেন তৌদুনা ৱাহং পাউহং চথখি। লোয়ননা মীওই ৯ আই-দি কার্দ য়াওদবগী দিটেন তৌখি।